মহাক্কসু শক্তি লৈরমগনি ! ঐখোয়না মসি ফক্লাং অসিবু চৈবগী শক্তি লৈব্রা? অসিগুম্না মাঙদা লৈরিবা অদুগীসুনি । অমসুং মহাক্কী নিমিত্তগী থেংগায়গদৌবা, মদুদি লেম্না থারোয় । কানদবদা লাও-খোংদুনা তৌবগী করি অর্থ? মহাক্কী মখুত্তা শক্তি লৈতে মদুদা ! মরম অদুনা অদোম্না ফক্লাংগুম্না ওইরোনে ! অদোম্না লোয়নবিবু চৈ-চৈদুনা তৌরবদি মদু ওইরবদি মহাক্কী মনুংদা ভগৱান ফমলিদনা, মহাক্কা ইশিল্লি মদুদি মহাক্কা ঐবু চৈরি ! অমসুং অদোমদা মহাক্কা চৈবা ওইরদি অদোম্না ফক্লাংগুম্না ওইরো, মদু ওইরবদি অদোমগী মনুংদা ফমলিবা ভগৱান্না অদোমবু ‘হেল্প’ তৌগনি ।

মরম অদুনা অরানবা ঐখোয়গী ওইরবা মতম অদু খক্তদা ফক্লাংনা থেংগায় । মদুদা ফক্লাংগী অরানবা নত্তে । মতম অদুদা ঐঙোনদা মীয়াম্না হায়, ‘মোয় ময়াম অসি পুন্নমক ফক্লাংগুম্বরা ? মতম অদুদা ঐহাক্না হায় মদুদি, ‘হোয়, মীয়াম পুন্নমকপুসু ফক্লাংগুম্বনি ।’ মদু ঐহাক্না য়েংদুনা হায়রিবনি । মসি হায়জিন্নবা নত্তে ।

কনাগুম্বা অমগা মোৎ-খেন্নবা থম্বা অমসুং ফক্লাংগা লোয়ন্না থেংগায়নবা, মসি অনি অসি চপ-মান্নবা পোৎনি । মসি অনি অসিদা খেন্নবা লৈতে । মসি ফক্লাং অসিগা থেংগায়রিবসি, মদু উদবদগী থেংগায়রিবনি অমসুং মদুগী মোৎ-খেন্নবা অদুসু উদবদগী মোৎ-খেন্নরিবনি। মমাঙগী মহাক্না উদে । মমাঙগী মহাক্না সোল্যুশন উদে মরম অদুনা মোৎ-খেন্নবা থমলিবনি । মসি অশাউবা-নপল-মায়া-মীহৌবা পুন্নমক তৌরিবা অসি উদবদগী তৌরিবনি ! মদু অসুম্না ৱাফমদুবু খঙবা মখৌ তাইনেকো ? চৈথেং ফংলিবা অদুগী মরালনি, ফক্লাংগী মরাল ওইব্রা? মদুন্না মসি জগৎ অসিদা পুন্নমক ফক্লাংগুম্বা ঙক্তানি । ফক্লাং থেংগায়রে হায়বদি ঐখোয়না মহাক্কা লোয়ন্না অচুম-চুমদা অদুদি তৌদেদনা ? মদুদি ‘মসি ঐগী অসিনা চুম্বনি’ অসিগুম্না খৎন্নাবগীদমক্তা প্রোব্লেমদি তৌদেদনা? অসিগুম্না মসি হৌজিক ফক্লাংগী স্থিতিদা লৈ । মহাক্কা লোয়ন্না অচুম-অরান তৌবগী মখৌ তাদে ।

থেংগায়রিবা পুন্নমক অসিদা, মদুদা ঐখোয়না খঙগদবনি মদু পুম্বা ফক্লাং ঙক্তানি । মতুংদা ‘থোং কদায়দা লৈ’ মদুবু থিরবদি অমমবদসু

